# নোংজু থা মতমদা ব্রোইলর য়েনশিং শেন্নবীবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

নোংজু থা মতমদদি শেন্দাল লক্ষ্মী অমা ওইনা লোয়নরিবা ব্রোইলর য়েনশিং লোয়বীবা য়েনবুশিংনা য়েনশিং অমদি য়েনগোন মরু ওইনা য়েনগোন্দা হাপ্লিবা ৱাই/উকুপশিং য়াম্না চেকশিন্না লূ-নান্না থন্বীবা য়াম্না মথৌ তাই। মসিনা য়েনশিং শিবগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহল্লি। ঐখোয়গী লমদমসিদদি নোংজু থা মতমদা নোং মরাং কায়না চুবনীনা হ্যুমিদিটিসু ওই। য়েনবুশিংসু মশাগী শেল নীংথিনা লৈতবনিনা য়েনগোনশিংসু শেল চঙদনা শাবনা অয়াম্বনি। মরম অসিনা য়েনগোন অমদি অকোয়বগী ফীভম য়াম্না লূ-নান্না থন্বীবা মহিক মতাই চঙহন্দবসি য়াম্না মথৌ তাই। হ্যুমিদিটি ৱাংলগা শাবগী চাং হন্থহন্দবসিনা লায়না কয়া শন্দোরক্লিবা মহীকশিংগীদি মশীং হেনগৎহনবগী য়াম্না ফবা ইনভাইরোনমেন্ট অমা ওইহল্লি।

য়েনবুশিংনা য়েনগোনগী অকোয়বা অমদি য়েনগোন মনুংদা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌখৎপীবা মথৌ তাই। মথৌ তাবশিংদু মখাদা থমজরি :

**১) য়েনগোন অমদি অকোয়বদা লৌবীগদবা চেকশিন থৌরাংশিং :**

ক) য়েনগোন্দগী মিটর ৪-৫ মুক্কী অকোয়বদা নাপী-শিংবী, মনা-মশিং, অশং-অমানগী পোৎলম অমত্তা থন্বীরোইদবনি অমদি ঈশিং তুংদুনা লৈবা নৎত্রগা কোমকুৎকুম্বা জগা অমত্তা থন্বীরোইদবনি। করিগুম্বা ঈশিং তুংদুনা লৈরগদি মহীক ময়াম অমা মচা পোকহল্লি অমদি লায়না কয়া অমা শন্দোরকপগী পান্থে অমা ওইহল্লি।

খ) য়েনগোনগী সাইদ ৱালশিংসি নোং চুরকপা মতমদা নোং হাইজিন্দনবা পোলিথিন সিট অমনা মকোনগী অকোয়বদা খাজিনবীগনি। নোং হাংলকপা মতমদা পোলিথিন সিটশিংদু হাইগৎপীরগা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবীগনি।

গ) নোংজু থা মতমদদি তীল-কাং, হয়িংগী চাংসি য়াম্না ৱাংই। মসিনা লায়না পোকহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা য়েনগোনগী অকোয়বা অমদি মনুংদা তীল-কাং হয়িংগী চাং হন্থনবা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নবীগনি। মসি নৎত্রগসু ঈ এম মকোন মনুংদা চাইবীরগদি হয়িং অমদি অতোপ্পা তীল-কাংগী চাং হন্থে অমদি মনম নমথীবগী চাং হন্থহল্লি।

ঘ) য়েনগোন কুপ্লিবা জিজ্ঘ নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা কুপ্পা মকোন্দগী চুমথরকপা ঈশিংসি নিংথিনা য়োকশিনবীগনি। মসি নৎত্রগনা ইরম নালা নিংথিনা শেম্বীদুনা য়েনগোন্দগী লাপ্না পুথোকপীগনি।

**২) য়েনগোন মনুং অমদি য়েনশিংদা লৌবীগদবা চেকশিন থৌরাংশিং-**

ক) করিগুম্বদা নোং হাইজিন্দুনা চোৎপা তারগদি মদুদগী লায়না কয়া অমা খুদম ওইনা হায়রবদা মথী অঙাংবা ফাইবা, মথী অঙৌবা/অশংবা ফাইবা, তীল চেল্লকপা অসিনচিংবা থোকহনবা ঙম্বা মহীক ময়াম অমগী মশীং য়ামহল্লি। করিগুম্বা মতমদসু মকোন মনুংদা নোং হাইজিন্দুনা মকোন্দু মপাক মপাক নপশিন্দুনা লৈবা তারগদি মকোন্দা হাপ্লিবা ৱাই অনপ্পা মপাক মপাকশিংদু লৌথোকপীরগা অনৌবা ৱাই হাপচিনবীগনি। করিগুম্বা মতমদা শীন্নবা ৱাই লৈত্রগদি শুনু চাইবীদুনা চৈ অমনা ওন্থোক ওনশিন তৌবীদুনা কংনবা অমদি মহীক শিনবা ওৎপীগনি। শুনু চাইবীবা মতমদা লেপ্পা শুনু খক চাইবীরোইদবনি। খরা লুকথরগা শুনু চাইবীগনি অমদি চাইরিঙৈদা চিন অমদি নাতোন কুপশিনবীগনি।




খ) হ্যুমিদিটি ৱাংলগসু টেম্পরেচর নেম্বনিনা য়েনশিং ঈংবদগী তাশিন-তাশিন লৈদুনা চাবগী চাং হন্থরক্কনি অমদি চাবা তুমদবগী চাং ৱাংনা লৈগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা য়েনগোন মনুংদা মৈশা নীংথিনা পীদুনা য়েনশিং লুম্না থন্বীবা মথৌ তাই অমদি অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীবীবা তঙাইফদে।

গ) নোং চুবা মতমদা য়েনশিংদা পীথক্লিবা ঈশিং অয়াম্বা ফিলটর তৌদবনিনা ফনা লুনা উরগসু মহীক য়াওবগী চাং ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা য়েনশিংদা পীথক্লীবা ঈশিংশিং নিংথিনা ত্রিটমেন্ট তৌবীরগা পীথকপীগনি।

ঘ) নোংজু থা মতমদদি হ্যুমিদিটি ৱাংনা লৈবা মরম্না য়েন্দা পীজবীগদবা মচিঞ্জাক কোকফাই শুজা কাবগী চাং ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা পীজবীগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিংসি কোকফাই শুজা কাদনবা মফম চাবা জগা অমদা থন্বীগনি অমদি নুংশা শাবা মতমদা অমুক অমুক পুথোকপীরগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা পীজবীগনি। করিগুম্বদা নোং লেপ্তুনা চুবা তারগদি পীজবীগদবা মচিঞ্জাক্তু শন্দোক্লগা নোংমা থন্বীরবা তুংদা পীজবীগনি।

ঙ) য়েনগোন মনুংদা নোং হাইজিন্দনবা ফিনা নৎত্রগা প্লাষ্টিক্লা অকোয়বদু কুইনা কুপশিনবীরগা থন্বীরোইদবনি। অমুক অমুক হাংদোকপীরগা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহনবীগনি। মসিনা য়েনগোন মনুংগী হ্যুমিদিটি চাং হন্থহনবা ঙম্মী। য়েনগোন মনুংদা য়াম্না চোৎনা লৈরগসু মসিদা য়েন্থিদা য়াওরিবা এমোনিয়াগী চাং ৱাংনা লৈবা মরম্না অমদি নিংথিনা নুংশিৎ নুংশা চঙবা ঙমদ্রগদি মসিনা য়েনগী মমিৎ অমদি নাতোন মনুংদা চঙখিদুনা মপি তাহল্লি, মনপ চোহল্লি অমদি অতোপ্পা লায়না কয়া অমা চঙশিন্দুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।

চ) নোংজু থা মতমদদি য়েনগোনগী পাকপা চাওবগী মতুংইন্না থমগদবা য়েন মশীংদগী হন্থনা থন্বীগনি। য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না থল্লগদি য়েনশিংদা হকচাং চোকথহল্লি, চাবা থকপগী চাং হন্থহল্লি অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি।

ছ) য়েনগোন্দগী পুথোরক্লিবা য়েন্থিশিং নোংজু থা মতমদদি য়েনগোন্দগী মীটর ৩০০ মুক লাপ্না কোম অমা তৌবীরগা হুন্দোকপীগনি। য়েনগোন মনুং অমদি অকোয়বদা মহীক শিনবা দিসইনফেক্টেন কয়া অমা মতম মতমগী ওইনা চাইথোকপীগনি।

অসুম্না য়েনবুনা লূ-নান্না য়েনগোনশিং অসি থন্বীরগদি য়েনশিং শিবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদা নুংশিৎ-নুংশা শেৎনা লৈহনবতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়েনশিং লোয়বা ঙমগনি। ●

# লৈবাক লৈহাও ফনা থম্নবগীদমক লৌফমদা অশঙবা মনা মশিং খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং)

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

ঐখোয় মীওইবনা মশা-মউ ফনা লৈবা হায়বসি ঐখোয়গী লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফনা লৈবগা মরী য়াম্না লৈনৈ। লৌফমগী লৈবাক্লা মশা ফনা লৈরবা মতমদা ঐখোয়না ইশা ফনা লৈবদা মথৌ তাবা মচি ওইবা মচল শুনা য়াওরবা পোথোক পুথোক্কদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা নোংজু নুংশাগী অওনবনা পীরিবা চৈথেং, লৈবাক লৈহাও মাঙথরকপা অমদি লৌউবদা শীজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিংনা পীরিবা চৈথেংশিং অসিদগী খরা মখে কোকহন্দুনা লৌফমগী লৈবাক লৈহাও মশা ফনা থমদুনা মতম শাংনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংবা লৌউ কাঙলোন অমনি গ্রীন মেন্যুরিং।

ঐখোয়গী লৌফমদা থারিবা পান্বীশিংনা মপূং ফাদ্রিঙৈ, লৌফমগী অকোয়বদা ফংবা থুনা পথবা ঙম্বা মনা-মশিং, উশা মচানচিংবশিং খোমজিল্লগা লৌফম অদুগী লৈবাক্তা তোৎশিন্নহল্লগা (খোইজিল্লগা) পথহন্দুনা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও ফগৎনবা পায়খৎলিবা কাঙলোনবু লৌফমদা অশঙবা মনা-মশিং খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং) কৌই। অসুম্না অশঙবা মনা-মশিংশিং খোইজিনবগী থবক অসি পায়খৎনবগীদমক খোইজিনগদৌরিবা মনা-মশিং অদু লৌফম অদুমক্তদা থাবা (গ্রীন মেন্যুরিং ইন-সিতু) নৎত্রগা লৌফমগী অকোয়বদা হৌরিবা পান্বীশিংগী মনা-উশা মচাশিং খোমজিন্দুনা পুবিরক্লগা মখোয়দুনা খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং) গী থৌওংশিং পায়খৎপীবা য়াই।

গ্রীন মেন্যুরিং তৌনবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা পান্বীশিং হায়বা তারবদি চুচুরাংমৈ, উহৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী/পোংহৱাই মখলশিং নৎত্রগা শাহৌ ফবা অতোপ্পা পান্বী মখলশিং নৎত্রগা নীম, গুলমোহোর, চিগোংলৈ, অৱা কেগেনচিংবগী মনা-মশিংশিং মরাং কায়না ফংবগা লোয়ননা থুনা পথবা ঙম্বা ওইগদবনি।

**করিগীদমক গ্রীন মেন্যুরিং তৌগদৌরিবনো? :-**

১) অহিংবা জীবশিংদগী থোরকপা পোৎলমশিং পথরগা ওইবা ওর্গানিক মেট্টর কৌবা লৈবাক্কী শরুক শাগৎপা অমদি লৌফমগী লৈবাকশিং ফ্রোং ফ্রোং লাউহন্দুনা তোঙান তোঙানবা লৌউ কাঙলোনশিং পায়খৎপদা খুদোং চাহল্লি।

২) মতুং তারকপদা থাগদৌরিবা পান্বীশিংদা নাইট্রোজেন অমদি অতোপ্পা পান্বীগী মচীঞ্জাকশিং মরাং কায়না ফংহনবদা মতেং পাংই।

৩) লৌফম অদুদা হান্নদগী য়াওদুনা লৈবা পান্বীগী মচীঞ্জাকশিং কুমগী নোংগী ঈশিংনা চুমথদুনা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্মী।

৪) মরা লূনা চত্তবা পান্বীশিংনা ফংবা ঙল্লরোইদবা লূথনা লৈখ্রবা মফমশিংদা লৈবা পান্বীগী মচীঞ্জাকশিং লৈমায়দা পুখৎলক্তুনা পান্বীশিংনা ফংহনবদা মতেং পাংই।



৫) খূৎলৈ থুনা লৈমায়গী শরুকশিং খুমজিন্দুনা ঈশিং ঈচেল অমসুং নুংশিৎনা লৌফমগী মথক থংবা লৈহাও লৈবা শরুকশিং চেন্থখিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

৬) খূৎলৈ থুনা লৈমায়গী শরুকশিং খুমজিনখিবসিনা নাপী হৌরকপা অমদি নাপীশিংনা মরূ য়াম্না কেলহৌগদবদগী ঙাকথোকই।

**মপূং ফানা কান্নবা ফংনবগীদমক পায়খৎপীগদবশিং :-**

১) পান্বী অদু মহৈ য়ান্দ্রিঙৈ নৌরিঙৈ হুনখিবদগী চয়োল ৭-৮ ফাওবগী মনুংদা লৌফমদা খোইজিনবীদুনা লৈবাক্তা তোৎশিনবীবনা থুনা পথবা অমদি মতুং তারকপদা থারিবা পান্বী মরক্তা অতোপ্পা পান্বীশিং য়ৌরক্কদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

২) লৈবাক্তা তোৎশিনবীগদৌরিবা পান্বীশিং অসি য়াম্না লূনা তোৎশিনবীরোই মরমদি মনা-মশিংশিং অসিবু পথহনবদা মতেং পাংগদৌরিবা অহিংবা জীবশিং হিংকুপশিং অদু লৈমায়গী মথক থংবা শরুক্তনা মপূং ওইনা মপাঙ্গল কল্লি।

৩) মতুং তারকপদা থাগদৌরিবা পান্বী মখল অদুগা কাঙলূপ মান্নবা পান্বী মখলশিং গ্রন মেন্যুরিংগীদমক থাবীরোইদবনি।

৪) পান্বীশিং অদু লৈবাক্তা খোইজিল্লবা মতুং য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২০নি থমদুনা মপূং ফানা পথহনবীগদবনি।

গ্রীন মেন্যুরিংগী থৌওং অসি মরু ওইনা মপূং ওইবা লৌরোক অনীগী মরক্তা হাঙদুনা লৈবা মতমদা হৱাইগুম্বা মখলগী পান্বীশিং থাদুনা নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেনশিং পান্বীশিং অসিনা ফাজিন্দুনা লৌফমদা নাইট্রোজেনগী চাং হেনগৎনবা/লৌফম অমা মশা ফনা থম্বদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ওর্গানিক মেট্টর হায়বদু হেনগৎহল্লি। লৈহাও কা হেন্না লৈত্রবা লৌফমশিং গ্রীন মেন্যুরিং তোইনা তৌদুনা লৈহাও চেনবা লৌফম অমা ওইহল্লকপা য়াই। নোং মরাং কায়না চুবা নৎত্রগা ইথৈ লৌখোং লৈবা মফমশিংগীদমক লৌফম শেমগৎনবা গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা কান্নে।

মণিপুরগুম্বা ফৌনা মপূং ওইনা থাবা লমদমদদি মার্চ-এপ্রিলগী মতমদা হুনবীরগা ফৌ থাগদবা চয়োল ৩-৪গী মমাঙদা লৌফমদু ঈশিং থাজিনবীরগা খোইজিনবীরবদি ফৌ থাবা মতমদা চঙগদবা খূৎশেমগী হারগী শরুকশিং হন্থনা শীজিন্নবা য়াগনি। গ্রীন মেন্যুরিং তৌনবগীদমক চুচুরাংমৈ/উহৱাই মতোন মরূ কেজি ৩৫-৪০ লৌবীরগা য়াওশঙ মমাঙ/মতুংদা লাকপা নোংগা চান্নবা মওংদা হুনজিনবীহৌরগা হুনখিবদগী নুমিৎ ৪৫-৫০ মুক শুবদা লৌফমদা খোইজিনবীদুনা লৌফমগী লৈহাও শেম্বা য়াই। হৱাই মখলগী পান্বীশিংনা গ্রীন মেন্যুরিং তৌরবদি মতুং তারকপদা থাগদবা পান্বী অদুগী মথৌ তাবা নাইট্রোজেন অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থনা পীবদা চাথোক হন্থরোই, হৱাই মখলগী মথক্তা পনখ্রিবা পান্বী মখলশিং অসি খক নত্তনা অরৈবা হৱাই মখলগী মরূশিং রাইজোবিয়ম গ্রাম ২০ মরূ কেজি অমগী চাংদা তোৎপীরগা থাবীরবদি হেন্না কান্নবা ফংই। হৱাই মখল অসি নৎত্রবসু য়ূমদা লৈবা হঙ্গাম, নুমিৎলৈ অমদি অতোপ অতোপ্পা মরূশিং মরূ লৌনবগীদমক থাগদবা চাং অদুগী শরুক অনিগুম্বা লৌবীরগা লৌফমশিংদা হুনজিনবীরগা মহৈ লাক্ত্রিঙৈদা লৌফমদা খোইজিন্দুনা গ্রীন মেন্যুরিং পাঙথোকপা য়াই।

এজোল্লা হায়রগা খঙনবা কঙ মখল অসিসু মণিপুরগুম্বা মফমদদি ফৌ থাদ্রিঙৈদা লৌফমদা হৌহন্দুনা, ফৌ লৈরিবা লৌফমদা হৌহল্লগা হাবেংবা মতমদা লৈবাক্তা তোৎশিন্দুনা গ্রীন মেন্যুরিংগী থৌওং অসি পায়খৎপা য়াই।

লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা হায়বসিনা লৌমীশিংগীদি মখোয়না পায়খৎকদৌরিবা থবক অদু মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইবনা গ্রীন মেন্যুরিংগুম্বা থৌওংশিং ইশাগী লৌফমদা পায়খৎপা মতম য়ৌরে। ●

# অঙনফৌদা তাবা তীল রসায়নগী হীদাক শীজিন্নদুনা লাকশিন্নবা থৌরাংশিং

- লোংজম বোরিস -

ফৌ [Oryza sativa (L)] হায়বসি Poacea হায়রিবা কাঙলূপ অসিদা চনবা পান্বীনি। ইন্দিয়াগী ওইনা ফৌগী পোথোক অসি ১৩০৮.৩৭ লাখ টন য়ৌনা চাথোক পুথোকই। ফৌ অসি মালেমগী শাবা (ত্রোপিকেল) অমদি খরা হেন্না শাবা (সব-ত্রোপিকেল) মফমশিংদা হেন্না চান্নবা পান্বী মখল অমা ওইবনা "Kings of Cereals" হায়না মিং থোল্লি। ফৌদা তাবা তীল মখল ১৭৫নি হায়না পান্নরি। মরু ওইনা তীল মখল ২০ হেনবনা ফৌদা তাবা থেংনৈ।

ফৌদা তাবা মরু ওইবা তীল খরা অমদি চান্নবা বোটানিকেলশিং মখাদা পীজরি :

**Yellow stem borer** (ময়োন চীকপী) **Scirpophaga incertulas ] :**

ময়োন চীকপী হায়বা তীল অসি ফৌনা পীক্লিঙৈ মতমদগী চাউরকপা মতম ফাওবদা তাগল্লি। ফৌদা ময়োন চীকপী তাবনা dead heart (ময়োন কঙবা) য়ৌশিল্লকপা থেংনৈ। শাথীবা লৌফমদা ময়োন চীকপা তাবনা চাদা ৬৫ ফাওবা য়ৌনা চাথোক হন্থহল্লি।

• Neem seed kernel extract (5%), neem oil (1%) অমদি pungam oil (1%) - হায়রিবা পান্বীদগী ফংবা হীদাক (বোটানিকেলস) শিং অসি শীজিন্নবা য়াই।

• Azadirachta indica (Neem), Vitex negundo (উরিকশিবী-মণিপুরী), Ipomea carnea, Adhatoda zeylanica (নোংমাঙখা অঙৌবা) শীজিন্নবনা ময়োন চীকপীনা মাঙহন-তাকহনবদা চাউনা হন্থহল্লি।

• Neorautanenia mitis অমদি Derris elliptica হায়রিবা পান্বী অনী অসিদগী শাবা হীদাকশিংনা Chillo partellus চাউনা মাঙহন-তাকহনবা হন্থহনবা ঙম্মী।

• Tobacco, neem, karonja হায়রিবা পান্বী মখলশিংনা শুংবা extractশিং 15ml/L গী চাংদা শীজিন্নরবদি ময়োন চীকপী তীলনা থোকহনবা dead heart (38.38%) অমদি ফৌহাম শাৎপী চাদা ৫৮.০৮ য়ৌনা হন্থহল্লি।

• Ponggamia পান্বীদা য়াওবা flavonoids অমদি limonoids অসি ময়োন চীকপী তীল হাৎপা ঙম্বগী মগুণ চেল্লি।

• চনম (Garlic) দগী ফংবা extract শিং অসি সলফর মরাং কায়না য়াওবা মরম্না ময়োন চীকপী তীলনা ফৌদা চীকপা ঙমহন্দে অমদি তীলশিং মশা শোন্থহনবনচিংবা থোকহল্লি।

• ষণ ময়ুং+ নীম, ষণয়ুং + শৈজ্রাক (Melia azaderach), ষণ ময়ুং + নোংবান লৈ (Lantana camara), ষণ ময়ুং + কেগে মানবী নৎত্রগা য়াই - কেগে মানবী (Jatropha gossyppiflora), ষণ ময়ুং + নাশিক (Eucalyptus oblique), ষণ ময়ুং + গঞ্জা (Cannabis sativa) মথক্তা পঞ্জখ্রিবশিং অসি ময়োন চীকপী তীল তাবা হন্থহনবা ঙম্মী।

**উতোং শাৎপী তীল [(Gall midge : Orseolia oryzae)]**

উতোং শাৎপী তীলনা ফৌ পান্বী, তিল্হৌ মনা মওং মান্নহল্লি অমদি তীল অসিনা শাথীনা শোকহনবা অসি নাইট্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না হেলহল্লি।

• Neem oil @2% foliar spray ওইনা ফৌনা লিংথোক্লবা মতুং নুমিৎ ২৫, ৪০ অমদি ৫৫ শুরকপা মতমদা অহুল্লক চাইবীবনা উতোং তীল তাবা চাউনা হন্থহল্লি।

• উতোং তীল তাবা অসি নাশিক অমদি cedarwood না শাবা থাল মখল অসি শীজিন্নরবদি তীল তাবগী চাং হন্থহল্লি।

• Neem oil @ 5% নৎত্রগা 3% শীজিন্নবা অসিনা উতোং শাৎপা তীল তাবগী চাং চাউনা হন্থহল্লি।

**মনা কোনশিনবী তীল [(Leaf folder : Cnaphalocrocis medinalis)]**

মনা কোনশিনবী তীল অসি তোঙান তোঙানবা স্পেসিস ৮ মুক্কা ফৌদা তারবসু খ্বাইদগী হেন্না শাথীনা অমাঙ-অতা থোকহল্লিবা অসি Cnaphalocrosis medinalis হায়বা অসিনা ওইরি। মনা কোনশিনবী তীল তাবনা ফৌ পান্বীনা মচীঞ্জাক শুংবগী চাং হন্থহল্লি অমদি পান্বী চাউবা হন্থহল্লি।

• Neem seed kernel extract @ 5% শীজিন্নবনা মনা কোনশিনবী তীল অসিনা থোকহনবা অমাঙ-অতা চাউনা হন্থহল্লি। Neem oil (1%) + pungam oil (1%) অমদি neem oil (1%) শীজিন্নবনসু তীল মখল অসি চাউনা লাকশিনবা ঙম্মী।

• Sea weed (Sargassum wightii) 8% অমদি নীম মনাগী মহী (৫%) অসি মনা কোনশিনবী তীল অসি খ্বাইদগী হেন্না চাং ৱাংনা লাকশিনবা ঙম্মী।

• Custard apple (Annona squamosa), Punnai (Calophyllum inophyllum) অমদি mahua (Madhuca indica) - হায়রিবা পান্বীশিং অসিগী চাদা 1% concentration গী চাংদা কাপথোকপীরবদি মনা কোনশিনবী তীলনা মাঙহন তাকহনবা অসি চাদা ৬০ ফাওবা য়ৌনা লাকশিনবা ঙম্মী।

• Neem cake (de-oiled) পরিদা কেজি ১৫০গী চাংদা শীজিন্নবা অদুগা neem oil 2% অসি নুমিৎ ১০নি কান্নরগা চাইবীবনা মনা কোনশিনবী তীল অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

**ৱাহিক (Hoppers) :-** তীল অসিনা পান্বীগী মহি চূপথোকই অমদি grassy stunt অমদি wilted stunt virus নচিংবশিং শন্দোকই। ৱাহিক শাথীনা তাবা লৌফমদা হোপ্পর বর্ন হায়রিবা লাইওং অসি উবা ফংই অমদি লৌফম অদুগী চাথোক্তা চাদা ৯০ ফাওবা য়ৌনা হন্থহল্লি।

• Neem seed kernel extract @ 5%, neem oil 1% + pungam (Karanja) oil 1% হায়রিবা বোটানিকেলশিংনা ব্রাউন প্লান্ট হোপ্পর হায়রিবা ৱাহিক মখল অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

• Vitex negundo, pongamia, calotropis - হায়রিবা পান্বীশিং অসিগী leaf extract শিং অসি @10% গী চাংদা কাপথোকপীবনা ৱাহিক লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।

• Custard apple leaf extract শীজিন্নবনা tungro viral disease শন্দোকপা চাউনা হন্থহল্লি। Neem oil 1% + pungam (Karanj) oil 1% শীজিন্নবনা গ্রীন লিফ হোপ্পর তাবগী চাং অসি চাদা ৫০ য়ৌনা হন্থহল্লি।

• Neem oil (1%), mahua oil (1%), neem seed kernel extract (5%) অমদি lemon grass (5%) - পান্বীশিং অসিদগী শুংবা মহীশিং অসিনা ৱাহিকশিংগী মপূন্সিদা চাউনা অকায়বা পীহন্দুনা ফৌদা অমাঙ-অতা থোকহনবা হন্থহল্লি।

• Anredera cordifolia (নিংথৌখোং লৈ) - পান্বী অসিদগী ফংবা ইথানোল অসিগী ১.১৫ অমদি ২%গী চাংদা কাপ্পনা ৱাহিকশিং চাদা ৫৫.৫০, ৫৬.২৫ অমদি ৬১.২৫ য়ৌনা হীদাক কাপ্লবা নুমিৎ ১৪নি শুবা মতমদা হন্থহল্লি।

• NSKE (5%), neem oil (3%), neem leaf extract (3%), vitex leaf extract (3%), Periwinkle (শাহেব লৈ) leaf extract (3%), palmarosa oil (0.05%) অমদি Jatropha (লঅৱা কেগে) oil (1%) হায়রিবা পান্বীশিংদগী ফংবা পোথোকশিংনা ৱাহিকশিংনা কুইনা ফৌদা তাদুনা লৈবা ঙমদে।

ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদি মরীক চুম্বা বোটানিকেলশিং শীজিন্নবগী মওং অমা শেম্বীদুনা তীলশিং লাকশিনবনা ফৌগী চাথোক চাউনা হেনগৎহনবদা মতেং পাংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।